# এনঐচ ৩৭দা বোম প্লান্ট তৌনবা এনএসসিএন (আইএম)না এক্সপ্লোসিভ কেজি ২ লৈবগী অয়াবা পীখ্রে

# সিআরপিএফকী কম্পনি ৩ এনঐচ ৩৭ দা থাজিনগদৌরি, ঙসি গাড়ীশিং থোরক্লগনি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ ঃ* সদর হিলস দিষ্ট্রিক্টহুদ দিমান্দ কম্মিটিগী ব্লোকেদ অমসুং য়ুএনসিগী কাউন্টর ব্লোকেদনা এনঐচ -৩৯দা গাড়ী চেনবা লেপখিবা অদুগা নাকল অমরোমদা এনঐচ-৩৭ (৫৩)দা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন-থৌরংগা লোয়ননা লোদেদ ত্রকশিং, ওইল টেঙ্কর অমসুং এল পি জি বুলেট টেঙ্করশিং চৎলিবা অসিদা য়েখাই থিনগায় তৌনবা এন এস সি এন (আইএম)না লম্বী অসিদা বোম ফিট তৌদুনা য়েখাই-থিনগায়বা পীনবা এক্সপ্লোসিভ কিলো অনি লৈবদা অয়াবা পীখ্রে। অদুগা থবক অসি হকথেংননা পাঙথোক্লবা তাঙ্খুল কোওর্দিনেসন কম্মিটিদা শিন্নখ্রে হায়না অৱাংবা থাক্কী পাউগী সোর্স অমনা হায়রি।

অমরোমদনা এনঐচ-৩৭ দা থোরকপা গাড়ীশিং ব্লোকেদ তৌরিবশিং খক্তা নত্তনা এন এস সি এন (আইএম)গী কাংবুশিংনা মখল অমত্তগী এটেক তৌবা ঙমদনবা হয়েং সি আর পি এফকী কম্পনি অহুম লম্বী অসিদা থাজিল্লগনি। মসিগী মথক্তা অহেনবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং আই আর বি শিংসু থাজিনদুনা গাড়ীশিং এস্কোর্ট তৌদুনা ইম্ফাল তম্না পুথোরক্লগনি। মসিগা ইরোইননা হয়েং অয়ুক অঙনবদা নহানমখে জিরিবামদা পন্দুনা লৈরম্বা ওইল টেঙ্কর, এল পি জি বুলেট টেঙ্কর অমসুং লোদেদ ত্রক ৭৫০ সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা থোরক্লগনি হায়রি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখাতানা হায়রিবনা এনঐচ-৩৭ দা চৎলিবা গাড়ীশিং বোম ফিট তৌদুনা য়েখাই থুগায়নবা তাঙ্খুল কোওর্দিনেসন কম্মিটি (টিসিসি)না তাঙ্খুল ফ্রান্সিস কৌবা অমা অমসুং হোনরৈসন কৌবা মীওই অনিদা শক্তি লৈরবা এক্সপ্লোসিভ পীননবা দিমান্দ তৌখ্রে। ফ্রান্সিস অসি উখুলদগী এন এস সি এন (আইএম)গী কাদর অমা ওইরম্বা য়াই। অদুগা হোনরৈসন অসিসু উখুলদগী এন এস সি এন (আইএম)গী ফোর্মর কাদর অমা ওইরম্বা য়াই। এক্সপ্লোসিভ দিমান্দ তৌরিবসি সেপ্টেম্বর ১০ নত্রগা ১১দা ওইবা য়াই হায়না পুলিসকী সোর্স অমনা হায়রি।

সোর্স অসিনা মখা তানা হায়, এক্সপ্লোসিভ অদু লৈননবা অমসুং তাঙ্খুল কোওর্দিনেসন কম্মিটিদা শিন্নখিনবা এন এস সি এন (আইএম)গী সেনিয়ার ফঙ্কসনরিনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি। সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদসু এন এস সি এন (আইএম)গী ডব্লিউ সিমরে কৌবা অমনা গেলেটাইন শিজিন্নদুনা এনঐচ -৩৭ (৫৩)দা য়েখাই থিনগায়বা থোকহন্নবা থৌরাং তৌই হায়বগী পাউ লৈবগা এন এস সি এন (আইএম)না এ দি সিগী মেম্বরশিংদা তার্গেট তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়রি। এন এস সি এন (আইএম)গী সেনিয়ার ফঙ্কসনরিনা এক্সপ্লোসিভ কে জি ২ লৈবগী অয়াবা পীখিবদু এনঐচ-৩৭ দা য়েখাই থিনগায় তৌবা নত্রগা এ দি সি গী মেম্বরশিংদা তার্গেট তৌবা নত্রগা অনিমক্তা শিজিন্নরকপসু য়াই হায়রি। মসিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসকী দিজিপিগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পাউ থাদুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

এন এস সি এন (আইএম)না এনঐচ -৩৭ দা চৎলিবা গাড়ীশিং তার্গেট তৌরকপা য়াই হায়বগী পাউ লৈবদগী লম্বীসিদা হান্না দিপ্লোয় তৌরিবা সি আর পি এফ, বি এস এফ, অসাম রাইফলস, পুলিস কম্মান্দো, আই আর বি, নুপী পুলিস অমসুং হোমগার্দ পার্সোনেলশিং দিপ্লোয় তৌরিবা অসিগী মথক্তা কৈথেলমানবীদা ভি দি এফ কী পোষ্ট অমসু হাংলগনি। লোয়ননা হয়েং জিরিবামদগী ইম্ফাল থোকলক্কদবা গাড়ীশিং এস্কোর্ট তৌনবা সি আর পি এফ কম্পনি ৩,পুলিস কম্মান্দো অমদি আই আর বি পার্সোনেলশিং অয়ুক অঙনবদা থাজিল্লগনি।

সি আর পি এফ কী কম্পনি অহুম অসি লোক্তাক প্রোজেক্টতা লৈবা ৩২ শুবা সি আর পি এফ বটালিয়ন পোষ্টগী কম্পনি ১, নোনেদা লৈবা ১২ শুবা সি আর পি এফ বটালিয়ন পোষ্টতগী কম্পনি ১ অমসুং লাংজিংগী সি আর পি এফ গ্রুপ সেন্টরদগী কম্পনি অমগনি। জিরিবামগী থোক্লকপা গাড়ীশিং অসি হয়েংগী ওইনা অৱাং খুলদা পুল্লপ অহিং অমা য়ারেক্লগা মথং নোংঙানবা তাং ১৭ দা ইম্ফালদা পুথোরকক্কদবনি। গাড়ীশিং অসিনা অৱাং খুলদা অহিং য়ারেক্লিঙৈ সি আর পি এফকী কম্পনি অহুম অসিনা পুং ২৪ চুপ্পা ঙাক শেনগনি হায়রি।

অমরোমদনা জিরিবামদা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ী পুন্না লিশিং অমরোম ইম্ফালগীদমক সেক্যুরিটিনা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা হয়েং অয়ুক অঙনবদা খোংশাল্লক্লগনি। মসিগী মনুংদা পেট্রোল টেঙ্কর ৬২, দিজল ৬১, কেরোসিন ১, এল পি জি বুলেট টেঙ্কর ১৪, মোবিল পুবা টেঙ্কর ১, মেদিসিনগী ২৩, ফর্টিলাইজরগী ১৫ য়াওরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক ওইল দিপোদা লৈরিবা ষ্টোক পোজিসন্না এভিয়েসন টর্বাইন ফ্যুলনা নুমিৎ ১৪নিগী ষ্টোক্তা লৈরি। পেট্রোলনা নুমিৎ ৬নিগী কিলোলিটর ৪২৯, দিজলনা নুমিৎ ৫নিগী কিলোলিটর ১১৫৪, কেরোসিন্না নুমিৎ ১৮নিগী কিলোলিটর ১৪২, এল পি জি না নুমিৎ ২নিগী মেত্রিক টন ১৩৭ লৈরি। এল পি জিগী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা ষ্টোক পোজিসন অসি য়াম্না এলার্মিং ওইরে। চেংগীনা নুমিৎ ৩৩নিগী মেত্রিক টন ১৪,০০৩ , চিনিনা নুমিৎ ৭নিগী মেত্রিক টন ৪০৪, গেহুনা নুমিৎ ৮নিগী মেত্রিক টন ৭৭৮ লৈরি হায়রি।

মরকসিদা টিদিসিদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি, হয়েং জিরিবামদা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং ইম্ফাল থোক্লক্লগনি হায়বগী পাউ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতগী খঙহল্লক্লে। লম্বী অসিদা চৎলিবা গাড়ীশিং সেক্যুরিটিনা নিংথিনা ঙাক শেল্লবসু লম্বীগী ফিভম অসিদি য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইরি। ইম্ফালদগীনা নোনে ফাওবগী লম্বীগী শরুক অসিদি থোইনা খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে। অদুম ওইনমক কৈমাইদগী কাম্বীরোল ফাওবগী লম্বীগী ফিভম য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইরি। নোং চুদবা মতমদনা খরমখে শাফরবসু নোং চুশিল্লক্লবদি গাড়ীশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। করিগুম্বা ঙসি অহিং নোং লেপ্তুনা তারগদি হয়েং গাড়ীশিং অৱাং খুল য়ৌরকপগী আশা উদে। কাম্বীরোল এরিয়াদা লম্বীগী শরুক্তা ফুট ৪গী চাংদা লুবা কোংকুৎ কয়া লৈবনা গাড়ীশিং লম্বী মতেক অসি লান্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি। বরাক ময়া, নুং দোলান ময়া, কৈমাইগী এরিয়াদা কিলোমিটর মখাই মখাই শরুকশিং খুদোংথিনিঙাই ওইরি। মসিদা বি আর ও না লম্বী শেমজিনবগী মহুৎতা গাড়ী থাজিল্লক্কনু হায়বসিদি নাকোইননা ব্লোকেদ শৌগৎপনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

এনঐচ-৩৯গী ইম্ফাল-মোরেগী শরুক্তসু য়ুএনসিগী ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা লম্বী শোরোক্তা ফোংনা থোরক্তুনা অথিংবা পীবদগী মোরেদগী পোৎচৈ পুদুনা থোক্লকপা গাড়ী ৮০গী মথক্তা বোংয়াং আর্মি পোষ্ট ময়াদা পন্দুনা লৈরি। পল্লিবা গাড়ীশিং অদুগী মরক্তা টাটা সুমো, ভেন, দি আই অমসুং বসনচিংবা য়াওরি। বোংয়াংদগী মতেং খরা হায়গৎলগা থম্নাপোকপী এরিয়াদদি ব্লোকেদ শৌগৎপশিংনা ফোংনা লৈবনা লম্বী মতেক অসি লানবা ঙমদবনা গাড়ীশিং পন্দুনা লৈরকখিবনি। গাড়ীশিং অসিসু হয়েং এস্কোর্টকা লোয়ননা ইম্ফালদা থোরক্লবা য়াই হায়রি।